# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-20

### Visible Impact of Climate Change (Harmful Impact)

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) ইবোতোন্বী - প্রধান (২) হেন্থোইবা - লৌমী পাখং
(৩) লনচেনবা - এগ্রিকলচরিষ্ট
নুপী:- (১) খোমদোনবী - লনচেনবগী মমা
(২) ইনুংঙানবী - প্রধানগী মচানুপী

(মফম:- খুঙ্গংগী লন্বী, মতম:- অয়ুক অঙনবা, উচেক্না য়াক্লা য়াক্লা খোংবগী মখোল)

হেন্থোইবা :- ইনুংঙানবী ... ইনুংঙানবী ... অয়ুক ঙন্তাসিদা কদাইদা চৎলিবনো নঙবো, ঙাইখোও চৎমিন্নসে।

ইনুংঙানবী :- খুৎতা সনাবুল অমা পাইরগা ঐনা চৎলিসে, কদাইদা ওইরমদৌ মানগে।

হেন্থোইবা :- খংলগবু হংখিগদরা, খংদদনা হংলিবনি, কদায়দনো হায়বা নঙনা চৎলিবদুবো।

ইনুংঙানবী :- দাদা হেন্থোইবা নঙসে ফজনদি পংবজাৎনিকো, সনাবুলসিবু করিদা শিজিন্নগে অমুক্তা হায়য়ুনে।

হেন্থোইবা :- সনাবুলবুদি ঈশিং শোক্লবা পাত্রনি কৈনো অদুবু হংনি হায়দুনা হংলিবা নঙদি ওন্থোক্লা শিংখ্রেদা।

ইনুংঙানবী :- খুৎতা সনাবুল পায়দুনা চৎলিসে ঈশিং শোকপা চৎলিনি হায়বসে খংফম থোকপনি।

হেন্থোইবা :- (নোকপা) অদুবুদি ঐসু খঙঙিনা থওয়না নঙগী নতৌ য়েংনিংদুনা হংবনিদা অদো হন্দক চহিসিদি নোঙ ফজনা তাদ্রবনিনা পুখ্রি, পাৎ, তুরেল, ঈশিং খোঙ অয়াম্বা লোয়না কংদুনা লৈত্রক চৎলে, কদাইদগী ঈশিংনো নঙনা শোকলুদোইদুবো।

ইনুংঙানবী :- মমাংগী দাদা লনচেনবহোয়গী পুখ্রিদুদি ঈশিং য়াম্না ফজনা তরু-তনান পীক থন্না লৈরি, অদুদগী শোক্লুগে তৌবনি।

হেন্থোইবা :- হোয়নে ঐখোয় খুনগী পুখ্রি পুম্নমক লোয়না কংখ্রবসু ইতাও লনচেনবহোয়গী পুখ্রিদি ঈশিং ফজনা লৈরি।

ইনুংঙানবী :- দাদা লনচেনবগী ফার্মদুসু মনা-মশিং, মহৈ-মরোং ফজনা হৌরি, পাল্লি, খুনসিগী লৌফম অয়াম্বা লৈখ্রক চৎতুনা মনা-মশিং অমতা হৌবা ঙমদ্রবসু দাদা লনচেনবগীদি য়াম্না ফজনা অদুম হৌরি কমায় তৌরিজাৎনো।

হেন্থোইবা :- ঐসু খঙদে, ঐগীদি লৌফম পুম্নমক লোয়না পুমকং কংলে, ঈশিং চীংফমসু লৈতরে, তৌফম খঙদরে ঐসু অদুনা লনচেনবা অমুক্তা উন্নরুগে হায়দুনা মোয়দা চৎলিবনি।

ইনুংঙানবী :- মমাং চহিশিংদসু নোং তাগদবা মতমনা হেক তাদে তারোইদবা মতমদনা য়াম্না কা হেন্না তাই, নুংশা শাবগী চাংসু অসুম অসুম হেনগৎলকপদৌনা তৌরে, চহি খরসিদা খঙহৌদনা ঈশিং চাওবা, ইকং থোকপনচিংবা তৌরক্লি, মালেমসিগী অইং-অশাগী চাং অসে য়াম্না হোংলকপদৌনা তৌরক্লে।

হেন্থোইবা :- উম, মহৌশাগী খোঙচৎ অসি ইকায় কায়রকপগুম তৌরে, ইহে ৱারীদা লনচেনবহোয়গী থোঙ্গাল হেন্দোক্তুনা চৎলমদৌবা খিৎতা ঙাইদা। ইনুংঙানবী ! নঙসু ঈশিং শোক্তনি হায়বদু শোক্লুরো।

খোমদোনবী :- আদা চংঙকইসিবু হেন্থোইবা নৎতরনে, মানিদা... হেন্থোইবা নঙবু করি হায়গে হায়বনো, কৈদৌবা লাকপনোনে?

হেন্থোইবা :- ইনে, ঐ লনচেনবা অমুক্তা উন্নজগে তৌবনি, মাবু লৈখিবরো।

খোমদোনবী : লৈবনি লৈবনি মাগী কাদা, চংঙু চংঙু। হায়মা ! ইবেন্মা ইনুংঙানবী ইনেদি নঙ লাকপগা অমতা উহৌদরে, ঈশিং শোক্কে তৌরিবরা।

ইনুংঙানবী :- হোয় ইনে, ঈশিং শোকফম অমতা লৈতরে, ইনেহোয়গী পুখ্রিসি নৎতনা, ঐখোয় ময়াম চংদুনা পুখ্রিসিদগী ঈশিং শোক্লবনিনা পুখ্রিসিসু থুনা কংখ্রগনি।

খোমদোনবী :- কংলগা কংখ্রেদনা করমদি তৌনি, নোংসিসু সুংতা তারক্তরে, ইচা লনচেনবনা অসোম মখা মায়কৈরোমথংবা ইংখোলগী শরুকশিদসু পুখ্রি অমা তৌবা হৌগৎলবনি নোংগী ঈশিং য়োকশিলহৌনবা হায়দুনা, নোং তারক্লগদি ঈশিং ৱাৎলরোইদা।

ইনুংঙানবী :- ইনে দাদা লনচেনবসি য়াম্না ফৈকো, গ্যানসু য়াম্না লৈ, ঐ অমুক চৎলগেকো, ইনে ঈশিংসু শোক্লবনিনা।

খোমদোনবী :- হোয় হোয় চৎলো চৎলো, ঐসু নোংমা কোইথোরক্কে, নখোযগী পাবা তাদা ইবোতোম্বীগা ৱারী খরা শান্নগদবা লৈ।

ইনুংঙানবী :- লাকপীয়ু, ইনে শোয়দনা, ঐনা লোনবা চাসু নোং ফাদোক থকপীররোলাও।

খোমদোনবী :- (নোকপা) ইমৌনা লোনবা চা খংথকপু হেক থকনিংলকই, হৌজিকপু লাকঅসিরা কৈনো।

ইনুংঙানবী :- অদু ওইরগনা ঐগা চৎমীন্নখ্রসি লাকও ইনে।

খোমদোনবী :- ইনেনা নুংশিদুনা ফাগী তৌবনিদা, নোংমা ওইনা লাকঅগে, ঐসু ইমুংদা থবক খিৎতা লোইশিনলুখিগে নঙসু চৎলোকো।

ইনুংঙানবী :- হোয় ইনে অদুদি ঐ চৎলে।

খোমদোনবী :- লনচেনবা, ... লনচেনবা ... হেন্থোইবা নবানিবু কদোমদা লৈগে।

লনচেনবা :- ইমা ঐখোয় মনিংগী ইংখোলদা লৈয়ে।

হেন্থোইবা :- ইতাও নঙগী ইংখোলগী মনা-মশিংসিদি ওন্থোক্লা ফজরেদা, মী পুন্নমক্কী ইংখোল, লৌবুক পুন্নমক ঈশিং লৈতবদগী মনা-মশিং অমতা হৌবা ঙমন্দ্রবনি, লৌসু অমতা ফজনা উবা য়াদরে, অদুবু নঙগীদি য়াম ফজনবু হৌরিনে, য়েংবসু ওন্থোক্লা নুঙাইখরে পুমশং শংনা হৌরিবা মনা-মশিং অসি, অদুবুদি নঙদি খুন অসিগী গ্যান লৈবা লাইরিক লাইশু হৈবা, এম.এ.সি. এগ্রি ফার্ষ্ট ক্লাস ফার্ষ্টনিদনা।

খোমদোনবী :- ঐদি নবানি ইমুংদা লৈরিবোই নিংঙুরে, সে সে চা থকউসে হেন্থোইবা।

হেন্থোইবা :- (চা থক্লা থক্লা) লনচেনবা কুমগী নোংসিনা অসুমক তারক্রুবদি ঐখোয় পুন্নমক য়াম্না ৱারগনি, থক্লবা ঈশিংসু লৈররোই অদুদসু নৎতনা চান্নবা চীঙ্গাকসু ফংলরোই।

খোমদোনবী :- হোয়নে হন্দক চহিসিবু করি তৌরবনো খঙদে, শানা মরোল অমা শারিবা, নোংনা মরোল অমা তাদ্রিবা করম থোকঅদোইনো খঙদ্রেদা, ঐখোয়গী পুখ্রিগী ঈশিং অসিসু নোংসিনা মতারকত্রবদি কংখ্রগনি শোয়দনা, ঈশিং লোয়না কংখ্রবদি কমদৌনি ইবুংঙো ঐখোয়দি।

লনচেনবা :- ইমা করিনো উপাই অমদি থিবা তাবনি। হৌজিক ঐখোয়না মালেমসিদা থেংনরক্লিবা অৱাবা চৈথেং পুন্নমকসে গ্লোবেল ৱার্মিং থোরকপদগী ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগীনি।

খোমদোনবী :- ইবুংঙো গ্লোবেল ৱার্মিং হায়রিবসিবু করিনোনে?

লনচেনবা :- ইমা হৌজিক মালেমগী মফম অয়াম্বদা শাবগী চাং অসুম অসুম হেনগৎলক্লিবা অসিবুনি গ্লোবেল ৱার্মিং হায়রিবসে, গ্রীন হাউস গ্যাসশিং মরুওইনা কার্বোনদাইওক্সাইদ, মিথেন, নাইত্রস ওক্সাইদনচিংবশিংগী শরুকশিং নুংশিৎতা য়াওবগী চাং অসুম অসুম হেনগৎলকপদগী গ্লোবেল ৱার্মিং অসি থোরক্লিবনি।

খোমদোনবী :- হোয় শাবগী চাংবুদি চহি খরসিদা খঙহেন হেনগৎলক্লে, অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাংসু খঙহোং হোংলে।

হেন্থোইবা :- উম চুম্মী ইমা, হৌজিক নোংজুথাগী মতমসিদসু নোং মরিক অমা ফাওবা তাদদুনা ইকং থোক্লিবসিনি।

লনচেনবা :- মসিবুনি হৌজিক ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়না হায়নরিবা অসি, হেন্থোইবা ! নঙনা ঙন্তা ঐখোয়দা লাকইসিবু করি তান্নসি হায়বনো।

হেন্থোইবা :- হৌজিক ঐখোয়গী খুন অসি ইকং থোক্তুনা মীয়াম পুম্নমক ৱানরে করি উপাই তৌসিগে খন্নসি হায়দুনা লাকপনি।

লনচেনবা :- উম, ঐখোয় ময়াম পুন্না খন্নদুনা উপাই অমদি তৌদবা য়াদরে, খুন অসিগী প্রধান ওইরিবা খুরা ইবোতোম্বীগসু করি থবক পাইখৎসিগে খন্নরুসি।

হেন্থোইবা :- উম অদুনা ফরনি, খুরাগা উন্নরুরসি করি করি তৌসিগে তান্নরুরসি।

লনচেনবা :- হোয় হৌজিকমক হেক্তা চৎলুরসি লাকও।

খোমদোনবী :- ঐসু লাক্কে, তাদা প্রধানহোয়দা চৎতবা কুইরে, লাকও লাকও পুল্লপ হেক্তা চৎমিন্নরসি।

-ম্যুজিক-

(মফম : প্রধান ইবোতোম্বীগী য়ুম, মতম: নুংশা খরা শাগৎলকপা মতম)

ইবোতোম্বী :- করিনো ঐনা হৌজিক তৌগদৌরিবসিবো, খুঞ্জা খুদিংমক ইকং থোক্তুনা অৱাবা তারবা মতমসিদা খুন অসিগী প্রধান ওইরিবা ঐনা উপাই অমা নত্রগা অমা তৌদুনা মীয়ামগী অৱাবসি কোকহনবা হায়বসি ঐগী ইথৌ নত্রা, অদুদি ঐ হৌজিক করি তৌবা তাই... (মতোমতা ঙাংজবা)।

ইনুংঙানবী :- পাবা কৈদৌরে মরুম মুরুম শোন্দুনা মাঙ্গোলদা হঙ্গৎ-হন্দা চৎলিদুবো।

ইবোতোম্বী :- ইপা কৈসু তৌদে, খুন অসিদা কুমগী নোং মতম চানা তারক্তবদগী ইকং থোক্লিবসি করম্না কোকহনগনি খল্লিবনি, নঙনা শোল্লকলিবা ঈশিংদুবু কদায়দগীনোনে।

ইনুংঙানবী :- দাদা লনচেনবহোয়গী পুখ্রিদগীনি, পাবা ঐ ৱা অমা হায়গেনা।

ইবোতোম্বী :- করি ৱানোনে ইচানা হায়গে হায়রিবো?

ইনুংঙানবী :- খুন অসিগী মীপুম খুদিংমক পুল্লপ পুনশিল্লগা হৌজিক খুনসিদা ইকংনা মরম ওইরগা অৱাবা তারিবা পুম্নমকশিং অসি করি উপাই তৌদুনা কোকহনসিগে হায়বসি খন্নবা মতম ওইরে।

ইবোতোম্বী :- ইপাসু নঙনা হায়রিবা ৱাফমদুমক খল্লল্লীবনি, অদুনা খুন অসিগী লৌশিং লৈবা লাইরিক-লাইশু মতিক চানা হৈবা মীওইশিং কনা-কনা তান্নসিগে খল্লিবনি।

ইনুংঙানবী :- পাবা ! দাদা লনচেনবদি লাইরিক লাইশু ফজনা হৈবা মীওইনি, মাগা তান্নবসু কান্নগদবা মাল্লি অদুগা সরকারগী মাইকৈদগী লৌবা য়াবা তেংবাংসু লৌনবা হোৎনসি।

ইবোতোম্বী :- উম ইচানা হায়বা য়াম্না চুম্মী, ইপাবু হৌজিকমক লনচেনবহোয়দা চৎলুরসিরনে।

ইনুংঙানবী :- পাবা ! থোঙ্গাললোমদা চঙলক্লিবসিবু দাদা লনচেনবহোয় নত্রনে।

ইবোতোম্বী :- মানিনে, খোমদোনবীগা হেন্থোইবগসু য়াওরকইনে, ফরেদা মখোয় লাকপা। লনচেবা ! ... ঐদি নখোয়দা লাকসিরা হায়দুনা তৌরল্লিবনি, লাকও লাকও চংঙকও চংঙকও ।

খোমদোনবী :- লনচেনবগা হেন্থোইবগা তাদাহোয়দা চৎকনি হায়বদুদা ঐসু মখোয়গী মতুঙ ইন্দুনা হেক্তা লাকঅবনি।

ইবোতোম্বী :- নখোয় লাকপসে ওন্থোক্লা নুংঙাইরে, মাঙ্গোলসিদা হেক্তা ফল্লসি, অদুগা করি করি তৌরগা খুনসিগী অৰাবা মায়য়োক্লরিবশিং অসিদগী ঙাকথোক্কদগে হায়বদুসু তান্নসি।

ইনুংঙানবী :- কুমগী নোং তাগদবা মতমসিদসু নোংসু তারক্তরে, শাবগী চাংসু অসসুম হেনগৎলক্লে, ঐখোয় থৱায়পানবশিংসে হীংনবা হোৎনবদা অৰাবা ওইরে।

হেন্থোইবা :- হৌজিক ঐখোয়গী ইরম অসিদনা ইকংগী অৰাবা মায়য়োক্লরি মফম খরদনা অমুক ঈশিং ইচাওগী অৰাবা মায়য়োক্লরি, মফম খরদনা অকনবা নুংশিৎকী শাফুদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা অৰাবা কয়া থেংনরি, মীসি মীনা কয়া থোক্লি।

লনচেনবা :- অচুম্বনি মালেমসিগী মফম খুদিংদা হৌজিক ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী চৈথেং ফংলবনি। ঐখোয়গী ইনভাইরোলমেন্ট অসিগী য়াম্না মরুওইবা পোৎচং অনি হায়বদি ঈশিং অমদি নুংশিৎকী ফীভমদা চাওনা অহোংবা অকায়বা থোরক্লে।

ইবোতোম্বী :- ইবুংঙো লনচেনবা ! ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরক্লিবসিগী মরমসিবু করিদগীনো?

লনচেনবা :- খুরা মালেমসিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরক্লিবসিগী মরম অনি লৈ।

হেন্থোইবা :- মরম অনি লৈ হায়বা, মরমশিংদুবু করি করিনো?

খোমদোনবী :- মরম অনিদু ইমাসু খঙনিংঙি, করি করিনো ময়েক শেংনা হায়রকউ।

লনচেনবা :- ক্লাইমেৎ চেঞ্জ থোকহল্লক্লিবগী মরম অসি অমনা মহৌশাগী খুৎশেমনা ওইহল্লকপা অদুগা অমনা ঐখোয় মীওইবগী থবক থৌরমশিংদগী থোকহল্লকপা অনি অসিনি।

ইনুংঙানবী :- দাদা লনচেনবা ! মহৌশাগী খুৎশেমদগী ওইরকপা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসিদি য়াম্না তপ্পী অদুগা ঐখোয় মীওইবনা উমং-ৱামং কয়া কোকথোরকপা, ফোশিল ফ্যুএলশিং কা হেন্না শিজিন্নরকপা মরম ময়ামসিদগী গ্রীন হাউস গ্যাসশিং মরুওইনা কার্বোনদাইওক্সাইদকী চাং ৱাংনা নুংশিৎতা য়াওরকপদগী শাবগী চাং অসি খঙহেন হেনগৎলক্লিবনি হায়বসি চুম্বা?

লনচেনবা :- উম চুম্মী, শাবগী চাং হেনগৎলকপদগী উনগী শরুকশিং শৌদোরকপগী চাং ৱাংখৎলকপদগী সমুদ্রগী ঈশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলকপা, থৱায় পানবা কয়া মালেমসিদা লৈবা ঙম্লক্তদুনা মুৎখিবা মরম ময়াম অমা থোরক্লিবনি।

ইবোতোম্বী :- জম্মু অমদি কাস্মির, কেদরনাথ, টামিল নাদু অমদি কেরলাদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাও পুম্নমকসি ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা থোকখিবা নেচরেল দিজাষ্টরনি হায়রিবসিসু অচুম্বা ইবুংঙো।

লনচেনবা :- খুরা, মহৌশাগী খুৎসেমদা অহোংবা, অকায়বা কয়া থোকহল্লকপদগী নোংজু-নুংশাগী চাংদা অকায়বা ওইরকপদগী নেচরেল দিজাষ্টরশিং অসি থোরক্লিবনি, মীওই কয়াগী পুন্সি অমদি লন-থুমশিং মাংহল্লিবনি, উমংগী মফম কয়া কাহেন্না কোকথোরকপদগী চীং নীংখাইবনচিংবসু থোরক্লিবনি।

হেন্থোইবা :- লনচেনবা ! ঐনা সাইন্স জর্নেল অমদা অনত্রার্টিকা হায়রিবা চহি চুপ্পা উনতনা কুপশিন্দুনা লৈবা পৃথিবীগী খা থংবা শরুক সাউথ পোলদা লৈবা মফম অসিনা মালেমগী মনুঙদা খ্বাইদগী ইংবা মফমনি, ইংবগী চাং অসি মাইনস সেলসিয়স দিগ্রি ৮৯.২ রোম ফাওবা য়ৌই হায়না থেংনখি।

ইনুংঙানবী :- ইহে ঐদি ৱারী শান্নবা য়াওদুনা লৈথোক্লিঙৈদা চাগা লোনগনি হায়বা লোয়না কাওথোক্লুরে, ইনে ! ঐ চা পরপ পরপ লোল্লক্কে, ময়াম ৱারী শান্নবীরম্মু (চঙখিবা)।

লনচেনবা :- হেন্থোইবা ! হৌখিবা চহি ১০০ রোমসিদা মালেমসিদা গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইদুনা শাবগী চাং হেনগৎলকপদগী অনত্রার্টিকাগী উনগী শরুকশিং শৌদোরকপদগী চাং ৱাংখৎলক্লি মরম অদুনা মফমদুদা লৈবা থৱায় পানবশিংদা চাওনা অকায়বা ওইহল্লক্লি। হৌজিক্কী চহি চা অসিনা লোইরকপা অদুৱাইদদি এল্পস মাউন্টেনশিংগী উনগী শরুক্কী চাদা ৮০রোমদি শৌদোক্তুনা মাংখ্রগনি হায়না পানরি, হিমালয়া চীংজাওগী উনগী শরুকশিংসু অসুম অসুম শৌদোরকপগী চাং ৱাংখৎলক্লি।

খোমদোনবী :- ইবুংঙো উনগী শরুকশিং অসুম অসুম শৌদোরক্লবদি মালেম অসিগী ঈশিংগী শরুক অসিদি হেনগৎলকলোইদরা?

ইবোতোম্বী :- খোমদোনবী ! উনগী শরুকশিং শৌদোক্তুনা ঈশিং ওল্লক্লবদি, ঈশিংগী শরুক হেনগলকপা হায়বসিদি মশানা তারবনিনে।

হেন্থোইবা :- ঈশিংগী শরুক অসুম অসুম হেনগৎলক্লবদি অকুৎপা মফমশিংদি ঈশিংনা লোয়না থুমজিনখিবা তাবনিনে।

লনচেনবা :- উম, হৌজিক উন অমদি গ্লেসিয়ারগী শরুকশিং শৌদোরকপদগী সমুদ্রগী ঈশিংগী ঈমায় অসি চাওরাক্লা সেন্তিমিটর ২৭ লোম হেনগৎলে।

ইনুংঙানবী :- ময়াম চা থকঅসে, ইনে সে চা সিদা লৈজরে, পাবগীসু সিদা থল্লগে, দাদা হেন্থোইবা, দাদা লনচেনবা চা থকঅসি।

লনচেনবা :- ঐগীদি য়ারে, ঐদি চা থক্তেয়ে।

ইনুংঙানবী :- ইহে ঐদি খঙদরে অদুদি শঙ্গোম ওইনা শেন্নুখিগে দাদা লনচেনবা।

লনচেনবা :- য়ারনি শেন্নুরনু, ঐদি য়ুমদগী থক্লগা লাক্লবনি।

খোমদোনবী :- (চা থক্লা থক্লা) ইমৌগী চাসিদি ওন্থোক্লা হাওখ্রেদা, নোয় দাদা লনচেনবদি অয়ুক ঙন্তানা শঙ্গোম গ্লাস অচৌবা অমগা লফোইগা য়েরুমগসু চারক্লবনি, নোং হেক ঙানবগা মাদি মপুক পীকথক্লা চাহৌ থকহৌদ্রবদি থবক্কা অমতা তৌ হায়বা য়াপোৎনতে (নোকপা)।

ইবোতোম্বী :- ইচা লনচেনবনা তৌরিবদু চুল্লবনিনে, চাবা থাকপা হায়বসে ঐখোয় মীওইবগী তৌদবা য়াদ্রবা ইথৌনি, চাদ্রবদি করম্না থবক-ইনখাং তৌবা ঙমগদৌরিবনো।

হেন্থোইবা :- অদো খুরা, হৌজিক ঐখোয় করি করি থবক পাইখৎসিগে হায়বদুসু খন্নরসি।

ইবোতোম্বী :- উম, লনচেনবা ! করি করি থবক পাইখৎসিগে ঐখোয়বো।

লনচেনবা :- খুরা, ঐখোয়না অহানবদা হৌজিক খুনসিদা ইকংনা শোকহল্লিবশিং অসি সরকারগী মরি লৈনবা মীওইশিংদা পাউ পীদুনা খঙহনবা, সরকারদগী করি করি মতেং ফংবা য়াবগে হায়বদু খঙদোক্নগা ফংনবা হোৎনবা অমদি খুনগী মীপুম খুদিংমক নোংগী ঈশিং য়োকশিনবগী হৈনবী লৈহনবা অদুগা করম্না য়োকশিনগনি হায়বদুসু তাকপী তম্বীবনচিংবা থবকশিং পায়খৎসি।

হেন্থোইবা :- অদুগা খুরা খুনগী পুখ্রি, খোঙশিং মোৎশিল্লিবশিং অসি ফজনা শেংদোকপা, নোংজুথাগী মতমদা ঈশিং য়োকশিনহৌনবা অচৌবা পুখ্রি খরসু মফম চাবা য়েংলগা তৌরসি।

ইনুংঙানবী :- খুনগী লৌবুক-লমহাংশিংগী অকোয়বদা উ চারা ময়াম থাদুনা উপাম্বীশিং মশিং য়াম্না হৌহনবা, মরু কোল্লবা চীংমাইশিং অমুক নৌনা উপাম্বীশিং থাদুনা য়োকখৎপনচিংবশিং অসি তৌরবদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা ঐখোয়না ফংলিবা অৱাবশিং অসিদগী খরদা ওইরসু ঙাকথোকপা ঙমগদরা খল্লি।

খোমদোনবী :- ইচাশিংনা হায়রিবা থবকশিং অসি মায়পাক্লা পাংথোকপা ঙম্লবা হোৎনবদা খুনগী নুপী ময়ামবু গ্যান তাহন্দুনা অচৌবা থৌদাং লৌনবা হোৎনবগী দায়না ঐগী ওইরবনি।

ইবোতোম্বী :- ঐখোয় ময়াম পুন্না হোৎনমিন্নদুনা থবকশিং অসি মায় পাক্লবা হোৎনরসিকো অদুদি।

লনচেনবা :- খুনসিগী নহাশিং পুম্নমক গ্যান তাহন্দুনা ঐখোয়গী থবকশিং অসি পাংথোক্লবা তৌরসি। অদুদি খুরা ঐখোয় অমুক চৎচরগে।

ইবোতোম্বী :- ফরে ফরে চৎলো, ঐগীদি নখোয়দা খুনসিগী তুংগী য়াইফনবা থবক পুম্নমক শীন্নবনিকো।

-ম্যুজিক-

(মফম: লনচেনবগী ইংখোল, পুখ্রি মপাল, নুংশিবা উচেক ৱায়াগী খোঞ্জেল, মতম: অঙনবা অয়ুক)

ইনুংঙানবী :- ইনে... ইনে... হো ইনে....।

খোমদোনবী :- (ইমুংদগী) ইনুংঙানবী কৈদৌরে, করি হায়গে নঙবো, অয়ুক ঙন্তাসিদা হোবে হোবে লাকইসিবো।

ইনুংঙানবী :- কৈসু তৌদে ইনে... উম ... আ... দাদা লনচেনবা লৈবরা?

খোমদোনবী :- নোয় দাদা লনচেনবদি আ মমাং ইংখোলদা লৈখিবনি, করি হায়গে হায়বনোনে ঐঙোন্দা হায়রম্মুদনা।

ইনুংঙানবী :- য়ারনি ইনে, ঐ দাদা লনচেনবগী মনাক্তা অদুম চৎলুরগে, ইহে ঐদি ইনেদা পীরমগে তৌবা পোৎ অমা পীবা কাওরে।

খোমদোনবী :- করি পোৎনোনে নঙনা ঐঙোন্দা পীদোইবো।

ইনুংঙানবী :- সে ইনে ফী মতেকসে ঐনা শাবনি, অয়ুক নুমিদাং লৈবদা ইন্নৌও, য়াম ফববুদি নৎতে ঐনা হৈতা-হৈতা শারকপনি, অদো ইনে ঐ দাদা লনচেনবগী মনাক্তা চৎলুখিগেকো (চৎখিবা)।

খোমদোনবী :- ইহে চৎখ্রেনেহে, ওন্থোক্লসু মঙাও থীখ্রবা নুপীমচানিদকো, মাগী ইচম চমজবা মওংশিনসু ওন্থোক্লা নুংশিখ্রে (মথন্তা শোঞ্জবা)।

ইনুংঙানবী :- (কৌ কৌদুনা চৎপা) দাদা লনচেনবা... দাদা লনচেনবা নঙবু কদোমদা লৈগে।

লনচেনবা :- ইনুংঙানবী নত্রনে ঐবু কৌরিসিবো... হায়মা ইনুংঙানবী কৈদৌরে নঙদি অসুক ঙন্না লাকইসিবো, ঈশিং শোক্কে হায়রিরো, সনাবুনদি কদায়।

ইনুংঙানবী :- ঈশিং শোকপা নত্রদি দাদাগী নাক্তা লাকপসিবু য়াদবরো?

লনচেনবা :- হুম ! য়াদে হায়বা নৎতেদা... অদো নঙবু করি তৌবা লাকপনো, খুরানগা ৱা হায়রুচো হায়রকপরো।

ইনুংঙানবী :- (শাওশিন্নবা) হায়রক্তে কৈসু, মরম লৈত্রদি লাকপগসি য়াদবরা?

লনচেনবা :- য়াদে হায়দেদা... সুম হংবনিদা, কৈনো নঙনা টিফিন বোক্স মচা অমা পুরকইদুবো, করি চানবা পুরক্কে চারগেদনা পীরকও।

ইনুংঙানবী :- কৈসুমতা পুরক্তে, সুম অহাংবা পুরগা লাকপনি।

লনচেনবা :- এ ! অহাংবদি নঙদি করি তৌননবা পুরক্লিবা, তু পুখ্রিসিদগী ঈশিং খরা শোক্লগা পুখরো, ইহাং হাংনা অদুম পুদৌ শরুক।

ইনুংঙানবী :- (শাওরি শাওরি ঙাংবা) দাদা লনচেনবা নঙগীসি ঐঙোন্দা করেম্নরিরা, নহাল নোংমা ঐখোয়দা লাকঅম্বদুদা করিমতা চাদা থক্তনা চৎখিবদুদা নুংঙাইতদুনা হলুৱা হৌরগা পুবিরকপনি, ঐবু অঙাওবীদৌনা অহাংবা টিফিন বোকস পুরগা লাক্কদরা।

লনচেনবা :- (নোকপা) ঐসু ঙসাইনা নঙ ঐগী চান্ননবা কৈনোমদি পুরকই হায়বা ঐসু খঙঙিনা, নতৌ য়েংগে তৌবনি ইবেন্মা, শাওববু ওন্থোক্লা পকচরিনে।

ইনুংঙানবী :- ঐনা থৱায় নুংঙাইত্রগা দাদাদি হরাওরিনি, সে হলুৱাসে চাজহৌরো ঐ চৎলগে।

লনচেনবা :- ইনুংঙানবী সে ঙাইখো হায়বনি, ফাগী তৌবনেবা, লাকও পুখ্রি মপান্দা হৌরিবা নাগেস্বর পান্থীসিগী মখোংদা ফমদুনা চামিন্নরুরসি লাকও্

ইনুংঙানবী :- উম, দাদাগী ইংখোলসিদা অৱাৎপা অমতা লৈতে, হৈ-লৈ পান্থী, উজাও-উরেল, চাওর চাওরবা পান্থী মখল অয়াম্বা সুনা হৌরি, য়েংবগী পেনবা নাইদে । এ ! পুখ্রিসিদা ঙা ময়াম অমসু লৈয়ে।

লনচেনবা :- ইনুংঙানবী ! ঐনা থৱায় পানবা পুম্নকশিং অসিবু য়াম্না নুংশিজৈ, ঐখোয় মীওইবসে পান্বী, শা-ঙাশিং অসিগা ইরোইননা হীংমিন্নরিবনি, মখোয়না মালেমসিদগী মুৎখিবা তারবদি ঐখোয় মীওইবা কাংলুপশিং অসিসু লোয়না মালেমসিদগী মুৎথ্রগদবনি।

ইনুংঙানবী :- হৌজিক মালেমসিগী মফম খুদিংদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী অৱা-চৈথেং ফংলিবা অসি মীওইবা ঐখোয়না থোকহনজবনি মসিদগী ঙাকথোক্লবা উপাইসু মালেমসিগী মীপুম খুদিংনা পুন্না হোৎনমীন্নদুনা তৌবা তাবনি।

লনচেনবা :- উম চুম্মী, ইনুংঙানবী ! ঙসিগী নঙগী হলুৱাসিদি হাওইহে, হয়েংসু হৌরগা পুরকউ (চানা চানা ঙাংবা)।

ইনুংঙানবী :- দাদানবু চাবিনি হায়রদি নুংতিগী পুরক্কে। অদো দাদা শাবগী চাংসি অসুম অসুম হেনগৎলক্লুদি কমাই তৌনি।

লনচেনবা :- হৌজিক শারিবা টেম্পরেচর অসিদগী সেলসিয়স দিগ্রি অমা অনিদংগা হেনগৎলক্লবদি লৌউশিংউবগী পোৎথোক অমতা পুথোকপা ঙম্লরোই, পান্বীশিং হৌবগী চাং হন্থখ্রগনি, ঈশিং ফংদবগী অৱাবসু হেনগৎলক্লগনি, খুনসিদা লৈবা ঙম্লক্তদুনা অতোপ্পা খরা শাফগদবা মফমদা খুন হোংদুনা চৎনখিবা তাবনি।

ইনংঙানবী :- অস ! অদুদি কমাই তৌনি ঐদি য়াম্না কীজরেবো।

লনচেনবা :- মতম মতমগী হোংলক্লিবা পুংলোন্দুগী মতুংইন্না ঐখোয়সু মদুগা চান্ননা জগোই শাবা তাবনি, করিদি উপাই লৈরি।

ইনুংঙানবী :- ইউ. এন.গী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না লাক্কদৌরিবা চহিশিংদা গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা মালেমগী মফম অয়াম্বদা চাবা ফংলক্তবা অমদি ঈশিং ফংলক্তবগী অৱাবা কয়া মায়য়োক্লরগনি হায়দাইনে।

লনচেনবা :- উম, মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা ভারত, বঙ্গলাদেশ অমদি চিনাদনা হেন্না অৱাবা থেংনরগনি হায়নসু হায়রি, সাইন্টিষ্টশিংগী মত মতুংইন্না ভারত্তা শাবগী চাং অসি সেলসিয়স দিগ্রি মরিরোম য়ৌনা হেনগৎলবা য়াই হায়না পানরি।

ইনুংঙানবী :- হৌজিক শারিবসিদগী অমুক হেন্না শাগৎলক্লবদি মীশিংসে হীংবদা অৱাবা ওইগনি, য়ুমদগী মপানগা থোক্তুনা থবক চৎপগা অমতা ঙম্লক্লরোই, ময়ুম-মকৈ লৈজদবা মীওই কয়াদি নুংশাগী মৈশা খাংবা ঙমদদুনা শিরগনি।

লনচেনবা :- দিপার্টমেন্ট ওফ মেটিওরোলোজি, ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্চ ওর্গানাইজেসনগী ৱেদর সেটিলাইট দাটাগী মতুংইন্না ভারতকী সমুদ্রগী ঈশিংগী ঈমায় অসি চহি খুদিংগী মিলিমিটর ২.৫ রোমগী চাং হেনগৎলক্লি মরম অসিনা ইং ২০৫০ ফওবদদি সেন্তিমিটর ১৫দগীনা ৩০ ফাওবগী চাং য়ৌনা হেনগৎলক্লগনি হায়না পানরি। সুন্দরবন, ওরিষ্যা, অন্দ্রপ্রদেশ, টামিল নাদু, কেরলা, গোৱা অমদি গুজরাটকী মফমশিং সমুদ্র ইরোলনুংদা লুপশিনখিবা য়ানা লৈরে হায়রি।

ইনুংঙানবী :- (পাখৎনা) দাদা, আদা লাকইসিবু ঐখোয় পাবাহোয় নত্রা, সোমদা পুল্লপ লাকএ কমাই তৌনি, ঐদি সিদা চৎকনিসু হায়রমদে... অস ! কমাই তৌনি।

লনচেনবা :- নোয় পাবাহোয় লাকঅগা কৈদৌনি হায়গে, এ ! ঐখোয় ইমাসু সোমদা লাকএনে, তু সিদা পাল্লিবা শেবোৎশিংসে খরা হেকচিন্নরগা লৈরো।

ইবোতোম্বী :- ইবুংঙো লনচেনবা, নঙ উন্নগে হায়দুনা হেন্থোইবগা ইবানি লাক্লিবনি, এ ! ইবেম্মা নঙদি সিদা করি তৌরল্লিবা?

খোমদোনবী :- তাদা ঐনা ইনুংঙানবীসে ঐখোয়গী ইংখোলদা হৌরিবা মনা-মশিংশিংসে মানা অপাম-অপাম্বা খল্লগা হেক্লুরাও হায়দুনা কৌবনি, আ ইবেম্মা, নঙবু করি করিবু হেক্লুগেনে।

ইনুংঙানবী :- আ ... শেবোৎকা... অতৈ... অতৈ মরোই-মপাং লোইনা হেক্লে ইনে।

হেন্থোইবা :- ইতাও লনচেনবা ! ঐখোয়না পাংথোকসি হায়বা থবকশিংদুগী মরমদা ঐনা খুনসিগী মীওই পুম্নমক্তসু হায়রবনি, মখোয়সু লোইনা য়ারে।

লনচেনবা :- অদুদি য়াম্না ফরে হেন্থোইবা, হান্না লৈজরম্বা পুখ্রিশিং শেংদোকপগী থবক হান্না হেক্তা হৌরসি, অনৌবা পুখ্রিশিং তৌনবা ঐনা জে. সি. বি.সু ঙাংনদুনা থল্লবনি।

ইবোতোম্বী :- খুরানসু, লৌফম অয়াম্বা ইকং থোক্তুনা লৌউবা য়াদনা লৈরিবা অমদি হৌরল্লবা ফৌশিং কংশিনলক্তুনা লৌফম কয়া হাংদুনা লৈরিবসিগী মরমদা গোভর্নমেন্টনা মীৎয়েং চংবিনবা অদুগা হাংদুনা লৈরিবা লৌফমশিং অসিদা ফৌগী মহুৎ শিনবা য়াবা মরু-মরাংশিং পীবিনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা হায়রল্লবনি।

ইনুংঙানবী :- পাবা, লৌখোংশিং ফুনজিন্দুনা লৈরিবা অসি অমুক নৌনা তৌথোক্তুনা ঈশিং চেলহন্দুনা লৌকোলশিং অসিদা ঈশিং পীবা য়ানবা হোৎনবীনবদুদি হায়রমদ্রবরো?

ইবোতোম্বী :- ইপানা পুম্নমক লোয়না হায়রল্লে, ফনবা শীনলল্লবনিকো, মরি লৈনবশিংনসু য়াম্না থুনা থবক পায়খৎপা হৌরনি হায়হৌরে।

হেন্থোইবা :- অদুদি য়াম্না ফরে খুরা, ঐখোয়সু ঐখোয়না তৌবা য়াবশিং হেক্তা তৌবা হৌরসি।

খোমদোনবী :- ঐনসু খুনসিগী নুপী পুম্নমকসু পাও লোয়না পীরবনি, উ থাবগী থবক্তুসু খরা থুনা হেক্তা হৌরসি।

লনচেনবা :- ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতগী উ চারা পীবিনবসু ঐনা হায়জখরে, হয়েং হেক্তা লৌরবা য়ারনিসু হায়রক্লে

ইবোতোম্বী :- নখোয় ময়াম চংদুনা পুক্লিং হকচাং য়াওনা হোৎনরবদি মালেমসিদা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী খল কাইরক্তুনা অৰা-চৈথেং কয়া ফংলক্লিবা অসিদগী লাইনা ঙাকথোকপা ঙমগদৌরিবনি, মালেম অসিবু কনবদা নখোয় নহাশিংগী চাওরবা থৌদাং লৈকো।

খোমদোনবী :- ঙসিদি ঐখোয়দা ময়াম পুল্লপ চাক চাখ্রসি, তাদগী অচীনবা লৈরসু ঙসিদি চাক চাদনা হনবা য়াররোই।

ইবোতোন্বী :- ইচলনা অদুক পীজনিংনা হায়রগবু ইবুংনা চাদে হায়বরো, করি করি মথেলবু পীজদোইনোনে।

খোমদোনবী :- ইনংঙানবী করি করি মথেল তৌসিগে।

ইনুংঙানবী :- ইনে ঐনা হেক্লিবা শেবোৎসিগা য়েন্দেমগা থাংজিংগা অমা ইরোল্লসি, চগেম উতি অশংবা অমা থোংলসি অদো ঙাদি কমায় তৌবা।

হেন্থোইবা :- ঙাগী ৱাদি পুখ্রিসিদা অচৌ-অচৌবা ঙা চাদুনা লৈরিসিদগী হেক্তা ফারগা লোইরে, ঐ পুখ্রিদা কুমথরেকো ঙা ফাবা (ঈশিংদা কুম্বগী মওং)।

লনচেনবা :- হায়মা হায়মা হেন্থোইবা, ঙাদুবু কমাইনা ফাদোইনো তৌরিদুবো, শেনে লোংউপ সিদা লৈরে।

হেন্থোইবা :- ঈশিংদা ঙাগা লমজেন তান্নগে তৌবনিদা (নোকপা)।

খোমদোনবী :- ঙাদু খ্বায়দগী চাওবা খল্লগা ফারকউকো। লাকওহে ইনুংঙানবী ইবানিসু চাক থোঙ্গৎলুরসি (নোং খোংলকপা)।

ইবোতোন্বী :- এ ! করিনো অতিয়াসিসু পুন্ম মমশিনলক্লে, নোংসু খোংলে, নোং তাগদৌরমাল্লে (নোং কন্না চুথরকপা)।

ময়াম :- নোং তারক্লে ... নোং তারক্লে ... (হরাওবা)।

-ম্যুজিক-